# “কৈদৌঙৈনো তংদু লৈতাবা নুমিৎ”

**ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি**

**উশম ধরমেন্দ্র**



নার্কো টেররিষ্ট কুকি খূৎপু খরনা তৌগে মতাগুম মণিপুরগী মীয়াম থোইদোক্লা অতম্নানা মীতৈশিংদা তংদু লৈতাদবা লৈহন্দুনা ৱানা হিংহল্লক্লিবসি চহী অনী ফাজিল্লক্লে। উনা-উনা হৌখি, ৱানা-ৱানা মতম লোইখিবা খঙহৌদে। ‘ইনাকখুনবা তরানা লায়রবা অমা শৌগৎপা ঙমদে’ হায়নৈ অহলশিংনা। ফনা তেংবাঙ ফংলবসু কুকি লাননা লাঞ্জেন্নহল্লিবশিংগী অৱাৎপা মেনশিনবা ঙল্লোই। ইশানা শূজরগা হিংজবা পূন্সি, মনগেরা-থীগেরা ইশাগী য়ূমদা পোত্থাজবা মদুদগী হেন্না নুংঙাইবা কদাইদগী ফংলুনি। পূন্নমকসিগী মথক্তা লৈঙাক্লা পীরিবা তেংবাঙ খরসিনবু ওইবা য়াবরা। দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক্তুনা, হৌজিকপুদি ইঞ্জিন মচাদু মতাইদা থমখ্রে, অসুক শাংলবা মতমসিদা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং মশা-মশাগী মরমদমদা হঞ্জিন্নবা অকনবা থবক পায়খৎপগী মহুত্তা মতম খরগী শাইদাংফম লৌনবা য়ূম শাবরোমদা কোক থাদদুনা লৈরি। য়ুনিয়ন লৈঙাকসিনা কুকি টেররিষ্টশিংগী মথক্তা খূৎ থাবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো। ৱাহংসি হংদুনা লাক্লি মীয়াম্না।

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ য়াওনা মশক নাইবা লুচিংবশিংনা থোক্লিবা লানসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। মণিপুর হায় কোর্টকী সেদ্যুল্ড ত্রাইব ষ্টেটসকী মতাংদা তাখিবা রায় অমনা ইরমদমসি শোকহনবনি হায়দুনা হন্দক্তা মণিপুরদা পি আর থম্বগী অয়াবা পীনবগী মতাংদসু শেংদোকখি। মমাঙথক্তা আইন কায়না চঙশিল্লকখিবা মীতোপশিংগী খূৎ য়াওইসু হায়খি। অদুগা অমুকসু কাঙলূপকী ঈরাংনি হায়দুনা নেক্সলাইটকা চাংদম্নবা য়ারোইসু ফোঙদোকখি। মরাল শুক্লে লৈজদবা মীতৈশিংসু নমদুনা লানসিদা চিংশিন্দুনা য়াওহল্লি। হৌরকপা মতমদা ষ্টেট লৈঙাক্কী অহোবা-অশোয়বা খরা লৈখ্রবসু মতুং তারকপদা নেশনল সিক্যুরিটিদা শীংনরক্লিবসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা নার্কো টেররিষ্টশিং অসি লাকশিনফম থোকপনি। অদুবু তৌদে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মণিপুরগী তংদু লৈতাদবা থোক্লিবা ঈরাং অসিনা নোর্থ ইষ্টকী মশক থীহল্লে কায়না মতম খরগী মমাঙদগা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদু ওন্থোক্লা থৌদাং য়াওদবা লুচিংবা অমনা ঙাঙফম থোক্তবা ৱাফম্নি। মীতৈদি মতম পূন্নমক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈজবা পান্মী। কনাদসু ঈং-তপ্পা থুগায়নবা হোৎনরুদে।

অসুক শাংলবা মতমসিদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা মশক থোকপা থবক অমত্তা ঈরাংসি লোইশিন্নবা লৌখৎপসু উদে। মমাঙ চহীদা য়াম্না কাঙলূপ নাইবা মওংদা নাগা এম এল এশিং, মীতৈ এম এল এশিং, কুকি এম এল এশিং কায়না খায়দোক্লগা দেল্লীদা উনদুনা ৱারী শানবগী থৌরাং লৌখৎখিবদুসু অদুমক মহয় য়ানখিদ্রে। মতম-মতমগী লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা মণিপুরদা লাক্তুনা কুকি কাঙলূপকী, মীতৈ কাঙলূপকী মীওইশিং উনদুনা মখোয়না থেংনরিবা অৱাবশিংগী মরমদা ৱারী-ৱাতাই তৌবীরবা ঐখোয়না থেংনখি। অদুবু হংনীংলিবদি কয়াম অওনবা অনৌবা মায়ওন উবা ফংলবগে হায়বসিনি। কুকিশিং অসিসু অঙকপনি লৈবাক্কী ৱায়েল চূপ্লি পায়রিবা সুপ্রিম কোর্টকী জজদুবু মীতৈনি হায়দুনা মখোয়গী এরিয়াদা চঙহনখিদে। মদুদা মরী লৈনরিবা কোর্টকী কাঙবুদুনা করি এক্সন লৌখৎখ্রবগে হায়বসি মীয়াম্না খঙনীংলি। হন্দক্লা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিংগী মীহুৎশিং তংদু লৈতাবা লাক্লবগী খোঙথাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা অরাংফম ওইদুনা দেল্লীদা ৱারী শানখি। মখাদি করি। মখাদি অমুক কুকিগী লুচিংবশিং মরোল লোনবা হৌরক্লে। মণিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরকপা মখোয়না পামদে। অদুমক ঈরাং লৈহনবা পাল্লি।

নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনখিবা লানসিনা মীতৈশিংদা নত্তনা লমদমসিদা খুন্দারিবা কাঙলূপ খুদিংমক অৱা চৈনা ফংহল্লে। ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পর্সন্স (আই দি পি) কয়ামা লৈঙাক্লা শাবা প্রিফেব্রিকেটেদ হাউসশিংদা লৈবা ফাওবা ফংদনা কম্যুনিটি হোলদা, লৈকায়গী মান্দবতা ওন্থোক-ওন্থোকপা ফীভমদা ৱানা হিংনরি। ফ্রী মুভমেন্ট লৈহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবদুসু করিসু ওইখিদরে। কুকিশিংনা খুন্দারিবা মফমশিং মীতৈশিং চঙলকপা য়ারোই হায়দুনা চঙহন্দ্রি। শিনীংবা কনাসু য়াওদবনিনা কনামত্তসু চঙবা ঙমদে। খ্বাইদগী ঙক্লিবদি পঙলাপসু লাপ্তুবা অৱাং সেকমাই হেক হেন্দোকখিবদা মীতৈশিংগী অশি লমদম ওইবসিনি। হন্দক্তা কৈশাম্পাৎতগী মাঙখিবা নহাদু কমদৌখ্রে। প্রসিদেন্টস রুলনা অওনবা অফবা খরদি পুরক্কদরা খল্লুবনি অদুবু ইউ উরক্তে। কৈনোগী ওইনা লৈরি হায়রগা শুংহৌ হৌগৎলক্তনা তোকখিবগী থৌদৌদু তাগদৌরিবরা খঙদ্রে।

লানসিনা মরম ওইদুনা শেল-থুমগী ফীভম হায়ফেৎ থীনা শোকচিনখ্রবা ইরমদমনি। করবার মচা-মচা তৌদুনা য়ূম পুজরম্বা কয়া খূৎ থানরবনি। নাকল অমরোমদা, ঙক য়োনবা পান্মুদবা মীওই খরনা ঈরাংসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা নত্তবা পান্বৈনা শেল তানবগী থবক চত্থদুনা মীচম মীয়াম ৱাহনবগী থবকসু চত্থরিবনি। অমুকসু ফৌমায় চাবী কয়ানা তৌবা য়াবা করবার তৌদুনা শেঙ্গাও চোন্নরি। চম্না হিংজবা শূজ-নোমজরিবশিংগী পূন্সিদি অৱাবগী মথক্তা অৱাবনি। মীওইবা হায়বসি অফবা লৈবগী ফত্তবসু লৈবনি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী অকনবা লানফমশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবা মীতৈনা ‘জপান লান’ হায়রগসু খঙনবদুদা মীয়াম্না মথৱায় হিংনবা অরাপ-অরাপ্পা লোইজিং লোয়াদা লাঞ্জেন্নখিবা মতমদুদা লুৎ-পাৎ তৌবা মীওই খরদি ইম্ফাল ময়োলদা তৌবা য়াবা লুট তৌদুনা শেঙ্গাও চোন্নবগী ৱারী ঙসিসু অদুমক অহলশিংদগী তানরিবসিনি। মীগী অৱাবা উবদা মশাদা থোক্লবগুম মীগী মতেং পাংবা মীসু লৈ। মীগী অৱাবা উরগা তেংবাংশিন্নরগা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা মীওইগী মশীংসু ৱাৎতনা লৈ।

লোইশিল্লকপদা, মশাগী তশেং-তশেংবা হোমলেন্দ লৈজদবা কুকিশিংনা দ্রগ করবার চাউনা তৌদুনা শেনয়াম তানশিল্লগা অহেনবা শক্তি পুথোক্তুনা মণিপুর থুগায়দুনা মখোয়গী হোমলেন্দ শাগৎপা য়ারনি হায়দুনা ‘আইদিয়া ওফ মণিপুর’ দা চেৎনা থাগোন্নজবা মীতৈশিংদা অতম্নানা লান্দারকপনি। ঙসিদি মণিপুর মীয়াম পূন্নমকসু ৱারে। মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ-ফূরুপ খুদিংমক মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শীংনরক্লিবা নার্কো টেররিষ্টশিংসিবু মায়োকমিন্নগদবনি। অসিগুম্বা নার্কো টেররিষ্টশিং অসিবু নাকোয়ননা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা শৌগৎপগী য়োকখৎতুনা থম্বগী থৌওংসু ঐখোয়না অদুমক উদুনা লাক্লি। মতাংসিদা ঐখোয় মীয়াম্না খঞ্জখিবা মীহুৎশিংনা কদাইদা করি তৌদুনা লৈখ্রবগে। মসিনি হংনরক্লিবা। ইরমদমসি অসুম্না সুম তৌদুনা লৈরবদি কৈদৌঙৈনো ঐখোয়গী তংদু লৈতাবা পূন্সি মহিংগী য়াইফরবা নুমিৎ হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# মালেমগী ৱাখল ৱাংথোইবশিং - ১৫

# ‘চার্লস ডার্ৱিন’ (১৮০৯-১৮৮২)

**- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -**



(হান্নগী মখা...) ‘বিগল মিশন’ দগী ইংলেন্দদা হল্লক্লবা মতুংদা ডার্ৱিন মহাক্কী খোঙচৎতুগী ডাইরি অমদি জিওলোজিকেল ওবজর্ভেশনশিং অদু ফোঙখি। কুমজা ১৮৩৭কী মে থাদা মহাক্লা ত্রান্সম্যুটেশন (হোংহনবা য়াবা) গী খুদম কয়ামরুম ফংবা ঙমখি। মানা ফংখিবা খুদমশিং অদুগী নোটবুক অমসু শেমখি। ডার্ৱিনগী য়াম্না লাইবক ফবা অমনা কুমজা ১৮৩৮দা ইংলিস ইকোনোমিষ্ট থোমাস রোবর্ট মালথুসকী লাইরিক ‘এন এসে ওন দি প্রিন্সিপাল ওফ পোপ্যুলেশন’ থেংনখিবসিনি। মালথুসনা ইরিবসি বাইওলোজিখক্তা নত্তে। মীওইবনা মীশিং (পোপ্যুলেশন) হেনগৎহল্লিবা অসিগী মরমদনি। মীওইবা অসি জিওমেট্রিকেল্লি হায়বদি ২,৪,৮,১৬... কী মওংদা হেনগৎপা হায়বসিদা চীঞ্জাক্লা এরিথমেটিকেল্লি হায়বদি ১,২,৩,৪... হায়বসিগী চাংদা হেনগৎলি। মরম অসিনা মহাক্লা অসুম্না ফোঙদোকই, নেচরেল সিলেক্টিভ ফোর্স হায়বদি মীশিং কা হেন্না য়ামখৎলকপা, অমরোমদা লায়না নৎত্রগা চাক তাঙবনা খরা শোনবা কাঙবুবু মাঙহনখিবা, খরা কনবা কাঙবুনা হিংদুনা লৈহৌবা হায়বা থৌওংসি ওইহনগনি। মালথুসকী লাইরিকসি পারুবদগী ডার্ৱিনদা ‘সিলেক্সন’ গী ৱাখলসি লাকখি। মমৈথংদা ‘নেচরেল সিলেক্সন ইন স্পেসিসকী আইদিয়া ফজনা মপূং ফারকখি। মসিবু ‘সর্ভাইভেল ওফ দি ফিটনেস’ হায়না খঙনখি।

মরক অসিদা কুমজা ১৮৩৯দা ইমমা ৱেজরুদকা লুহোংখি। মতুংদা লন্দনগী কেপ্টতা লৈবা ডাউন হাউসতা লৈখি। মাগী নুপী অঙাংশিংগী হরাও তয়াম্বা মরক্তা মাগী থিওরি ওফ ইভোল্যুশন ইনবগী ৱাখল লাকখি। ডার্ৱিননা অমুকসু চীংনজৈ মদুদি মহাক্কী থিওরি ওফ ইভোল্যুশন ফোঙলুরগা মীয়াম্না থাজদবদগী ঈরাং হৌরক্তুনা মাগী পূন্সিদা চাউনা শীংনরকপসু য়ারি। মদুনা হরাও নুংঙাইনা হিংজরিবা মাগী ইমুংদা শাথীবা চৈফু ওইহল্লক্তুনা মীনোক্কী মহুৎতা মীকপ মীরাওখোলতনা থল্লবা ইমুং ওইহল্লকপসু য়ারিবনি। মরম অসিনা কুমজা ১৮৪৪দা মানা মাগী নুপীদা অইবা অমনা খঙহল্লি “করিগুম্বা ঐনা ফত্ত-নুংদা থোকখ্রবদি য়ামদ্রবদা পাউন্দ ৪০০দং পুথোক্তুনা চার্লস লিয়েল পব্লিশরদা ঐগী থিওরি ওফ ইভোল্যুশনগী লাইরিক অসি ফোঙদোক্লবা হোৎনবীয়ু। মরমদি মীওইবসি মথন্তা ওইজরকপা নত্তে, মান্নবা শক্লোন কয়াদগী পথাং-পুথাং ওইনা শমথরকপা মশক অমনি হায়বসি ঐনা যুগ যুগ কয়াদা নৈনহল্লম্বা পান্মী”। মহাক্লা ‘থিওরি ওফ ইভোল্যুশন ওফ মেন’ ইরগে হায়না খল্লকপা তাঞ্জা কুমজা ১৮৫৮দা ডার্ৱিননা ইখঙ খঙহৌদনা মাগী ফেল্লো - সাইন্টিষ্ট অলফ্রেদ রুসসেল ৱাল্লাসতগী ফোঙদোক্ত্রিবা আর্টিকেল অমা মঙোন্দা চেক তৌবীয়ু হায়না থারকখি। আর্টিকেল অদু চহী কয়া চঙনা হোৎনরগা ইরকপনি। মদু পারুবদা ডার্ৱিন খংপ্রেক খংখিবনি। হায়রিবা আর্টিকেল অসিনা মানা ইগে খল্লিবা ‘থিওরি ওফ ইভোল্যুশন’ গী ৱা মচং অমগুম উখি। তৌবতবু ৱাল্লাসকী আর্টিকেল অদু য়াম্না থাজনীংঙাই ওইরবসু খুদমদা য়ূম্ফম পীদবা ইতাও তাওবা ওইনা খনখি। অদুবু শুকলৈ লৈতবদগীদি মানা খরা ফোঙদোক্লিবদো খরদি লৈরবা মচাকনি খন্দুনা অয়েৎপা ওইগদবা ৱা অমত্তা ফেনজিল্লুবা তৌদনা ফোঙদোকহনখি। মরক অসিদা লিয়েল্স অমদি হোককেৎসু হীরম অসিদা থৱায় য়াওশিল্লকখি। লম্ অসিদা মাঙজিল থানা চঙশিল্লক্লিবা ডার্ৱিন অমদি ৱাল্লাসপু মখোয় মশা মশাগী অইবা অমদি মখোয় মখোয়না থিগৎলুবদা ফংলক্লিবা মচাকশিং অদু ‘লিন্নিআন সোসাইটি’ দা পাথোকপীনবা চেবাউ পীরকই।

কুমজা ১৮৫৯গী নবেম্বর ২৪দা ডার্ৱিনগী লাইরিক ‘ওরিজিন ওফ স্পেসিস বাই-মিন্স ওফ নেচরেল সিলেক্সন’ ফোঙখি। কোপি মশীং ১২৫০ পুথোকপদা লাইরিক ফোঙবা নুমিৎ অদুমক্তদা লোইনা শিৎখি। হায়রিবা লাইরিক অসিদা মীওইবনা হৌরকপগী মরমদা য়াম্না মচা খায়না ইরি। মাগী থিওরি অসিগী মতুংইন্না মীওইবগী হৌজিক ওইরিবা শক্তম অসি য়ৌরকপদা চহী মিল্লিয়ন কয়া চংই। অষ্ট্রেলোপিথেকসকী শক্তমদগী হৌরগা হোমো হেবেলিস, হোমো ইরেক্টস, নিপান্দরর্থেল মেন অমদি হৌজিক্কী মীওইবগী মশক অসুম্না মথং-মথং ওইরক্লিবনি। লাইরিক অসিনা অলফ্রেদ ন্যুটনদা অচৌবা ইথিল অমা পীখি। লোয়ননা ইভোল্যুশন হায়বসিগী অচৌবা ঈহৌ অদুসু শাগৎপা হৌহনখি। অদুবু লাকশিনবগী পাঙ্গল য়ৌদ্রিবা অখঙ অহে ওইনদি মাগী মাগী লম্বী অমমমদা শক্লাইরবা কয়ানা য়েৎনবা, শাউনবা কয়ানা মালেমগী ইন্টেলেকচুএল ফোরম কয়াদা ঈরাং থোকহনবগী থৌদোকসু অদুম থোকখি। মালেম খূৎশেম হায়বসিদা অঙকপা কয়াবু মমুৎ তানা খঙননবা নৈনবা হায়বসিমক্তবু থাজরিবা মীগা থাজবা ৱাৎলিবা মীশিংগা য়েৎনদনদি হেন্না চুম্বা মহয় ফংলোইদৌরিবনি। মতম অদুগী মী অরিবশিংনা থাজনদুনা লাক্লিবদি লাইগী খূৎশেম হায়বসিনি। মসিগী মরম্না ঐখোয়গী ইপা-ইপু হায়বা ৱাহৈসিদি লৈরগা ইপা-ইপুদুগী মাঙদা ওইরমগদবা মশক্তু মান্নদনা খনবা লৈরমদবননি। অদুবু ডার্ৱিননদি পোৎশিং অসি হৌরকপগী মশক্তুগা হৌজিক্কী মশক্কা খেন্নফম থোকই হায়বগী থিজিনবদা ফংলকপা মচাক য়াওবা লাইরিক অমা পুথোকচরক্লিবনি। মসি মতম কুইনদগী থাজনরিবা অদুগা ওন্ন-তৈনবনি হায়বা কাঙবুনা ডার্ৱিনদা অতম্নানা শীংনবা হেনগৎলক্লি। মাবু য়েংথীনবা কয়া থোরকই। ডার্ৱিনদা এটেক তৌনবা হোৎনরকই। অতম্নানা ডার্ৱিনবু য়োংজাওগী শক্তমদা কার্টোন ওইনা য়েক্তুনা পাউচেদফাও হাপ্পরকখি। কুমজা ১৮৬০গী জুন থাদা ওক্সফোর্দতা পাঙথোকখিবা বৃটিশ এসোসিএশন ফোর দি এদভান্সমেন্ট ওফ সাইন্সকী মীফমদা বিশোপ ৱিলবরফোর্সনা ডার্ৱিনগী ‘থিওরি’ অসি পুরা রিজেক্ট তৌখি। চৎনবা য়ারোইদবা ৱাফম অমা ওইনা হায়খি। য়াম্না শাউনা পুঙ্খায় অমরোম ৱা ঙাঙলবা তুংদা হক্সলিদা ওনশিল্লদুনা ডার্ৱিনগী মপা মপুদি য়োংনি হায়রি। নঙগী নপা নপুসু য়োং ওইরমগদ্রা?

বিশোপকী ৱাহংদুদা মোং হাদনা হক্সলিনা অসুম্না খুমখি-"I emphatically say that it is not shameful to accept monkeys and our forefathers in comparision to those men who created a terror of hypocricy and misused knowledge" অসিগুম্বা হক্সলিগী থৌরবা অমদি মথৌনা লৈরবা পাউখুম অসিনা বিশোপকী ৱাখল মমায় লুকথহনখি। খুদম য়াওদনা অনীংবা শাগৎপা ৱাঙাঙলোইশিংগী মরাই চায়থবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই। অমরোমদা সাইন্টিফিক কম্যুনিটিগী মীওই কয়াদি ডার্ৱিনগী থিওরিবু থাজবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকখি। লোয়ননা ইভোল্যুশন থিওরি অসি মালেমগী মীয়াম্না শক খঙনরকখি। থাজনা নৈনবা হৌখি। মসিবু জেনেটিক্স এন্থ্রাইওলোজি অমদি পোলিওন্টেলোজিগী লম্দা ফংলকপা মচাকশিংনসু থিওরি ওফ ইভোল্যুশনদা হেন্না মপূং ফাহনবা ঙল্লে। মসিগী মথক্তা মেণ্ডেলস লোজ ওফ হেরিদিটিজ অমদি ক্রোমোজোমস ওফ হেরিদিটরিজ জিনসনা ইভোল্যুনিজমবু হেন্না ময়েক শেংহল্লে। অরাইবা মিৎয়েংদা ডার্ৱিনগী মিৎয়েংদা পথাং-পুথাং শমথবা হায়বসি শঙ্গোমদা ঈশিং য়াওরকপগুম্বনি হায়না প্রমান পীরি।

ডার্ৱিনগী মপোক্তি রিসর্ছ তৌনবা পোকপনি হায়না মশানা থাজৈ। থিজিনবা অমগী মথংদা থিজিনবা অমনা মাগী চহী মশীং ওইরিবনি। মাগী থিজিন লাইরিক খরদং পল্লবদা, ফর্টিলাইজেশন ওফ ওর্কিদস, মুভমেন্ট এন্দ হেবিটস ওফ ক্লাইম্বিং প্লান্টস, দি দিসেন্ট ওফ মেন, এক্সপ্রেশন ওফ দি ইমোশন্স ইন মেন এন্দ এনিমেল অসিনচিংবা পনবা য়াই। মীওইবনা পোৎশক খুদিংসি লাইগী খূৎশেমনি হায়দুনতা লৈথোক্লম্লবদি মালেম অসি খঙদবা মপৈগী মফম অমা ওইরম্বসু য়ারিবনি। মীওইবনা থৱায় পানবা অতৈদগী হেল্লি হায়রিবসিসু ৱাখল খনবা অমদি অচুম অরানগী অশেংবা মশক থিবা ঙম্বগী মতৌ অসিননি। মী খুদিংগী মপোক্তা মসি হেক ওইবা নত্তে। খরা হেন্না ৱাংথোইবা কোক্কী খুদোলনি। কুমজা ১৮৮২গী এপ্রিল ১৯দা মীওইবগী হৌরক্লোন ইদুনা থম্বীরম্বা ‘থিওরি ওফ ইভোল্যুশন’ গী মপু চার্লস ডার্ৱিন হার্ট এটেক তৌদুনা লৈখিদে। ৱেশমিন্সটর অব্বে আইজাক ন্যুটোন অমদি চার্লস লিয়েনগী মনাক্তা লৈরোন চনখি। বাইওলোজিকেল সাইন্সনা লৈরিবমখৈ মাগী মিংলেন্দি মুৎতনা লৈহৌরগনি। ●

# পি আর : থুম্বা, খাবা, য়াকপা, শিনবা পূন্নমক থৌওংনা লেপ্লক্কনি

**- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -**

দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মীখল পাঙথোল্লগা মীহুৎ খন্দুনা মীয়াম্না য়াবা মীহুৎ অদুনা লীংবা লৈঙাক্কী মহাউ অদুনা মীয়াম পূন্নমক্কী য়াইফনবা হোৎনবদা মীয়ামগী পূন্সি কনবা, লন-থুম ঙাক শেনবা, লম্বী-থোং, মৈ-ঈশিং, ঈথৈ-লৌখোং, মহৈলোয়শঙ, অনা-লায়েং অমদি অকনবা-অশোনবা নাইদনা লায়রবা-ইনাকখুনবা খায়দনা চাকথুং-ফিথুংহনবা অদু মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লীংবা লৈঙাক অদুগী মহাওনি।

মীহুৎশিংগী মরক্তগী থবক পুবা ঙমগদৌবা, ৱাখল লৌশিং লৈবা, লাইরিক-লাইশু হৈবা, লৈবাক্কী ওইবা থবক্লা অহানবা মাঙদা থম্বা, মীয়ামগা লেঙ্গোন্ননা চৎমিন্নগদৌবা অমবু লুচিংবা খন্দুনা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর ওইনরি। মসিমক দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক্লি, চৎন-পথাপনি। হীরম অসিদগী নাক-য়েৎতা হাইদোল্লগা মাগী ওইবা থবক্লা শেন্দাল লম্বী ওইনা চত্থরক্লবা লুচিংবদু মাগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর অমদি মীয়ামগী মীহুৎশিং অমদি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না অপাম্বা ওইরক্তে। লৈবাক অমগী খ্বাইদগী চাউবা লৈবাক মনুংগী য়েক্লবা অসি শেঞ্জা-থুমজানি হায়বা অসিমদি ১০০দা ১০০ চুল্লবা ৱাফম্নি। মরমদি শেঞ্জা-থুমজা অমদি ঐগী-মীগী নাইবা অসিনা মীগা-মীগা নুংশিনহন্দনবগী মরূ চাউনা হুল্লি। কর্ম্মচারি মশেলদা নুংশিনহন্দবা, মীয়াম মরক্তা শাউনবা-মুক্লবা, উশিৎনদবা কয়া থোরকই। ঐগী-মাগী নাইবা ৱাফম্না মরম ওইদুনা মথক থোংবা মাগী মথক্তা সুপরভাইজ তৌরিবা অদু ফাওবা শঙ্গ-পঙ্গ লৈবা শিন্মী মচা-মচা ফাওবনা মাগী ৱা ঙাকপা তৌদনা উশিৎ থৌওইদবা কয়া থোক্তবা নত্তে। শিন্মী হায়বা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা পূন্নমক্লা পীকপা-চাউবা থিদনা ঐগী-ঐগী মাঙদা তারিবা থবক খুদিংমক মতম চানা-চানা লোইশিনবা হায়বসিনা পূন্নমক্কী মাঙদা থাগদৌবনি। ঙসি লোয়শঙ কয়ানা মনীং হল্লক্লিবগী মরম মথৌ মশক খঙদবা শিন্মী নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপনা ওইহল্লকপা অয়াম্বনি। ত্রেদ য়ুনিয়ন ওর্গনাইজেশন কয়ামরুম শেমদুনা লোয়শঙ অমদা ওর্গনাইজেশন ৪/৫ লৈরিবা অসিমক শিন্মীশিংগী ফংফম থোকপা ফংদবা, তৌবীফম থোকপা তৌবীরক্তবা অদু মরী লৈনবা ওথোরিটিদা হায়বা-তক্লবগী তঙাইফদবা লৈ। মদু করিনা ওইরক্লিবনো হায়বা অদুসু থৌদাং লৈবা লোয়শঙ অদুবু পুরিবা মিনিষ্টর অমদি হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট অদুনা মতম-মফম চানা থবক পায়খত্তবদগী থোরকপা ঙাক্তনি। ওর্গনাইজেশনগী মরুমদা শেন্দাল লম্বী থিদুনা ওফিস বিয়ারর খরনা ত্রেদ য়ুনিয়ন অমদি ওফিস বিয়ররশিংবু মশক থীহনবা য়াওরকপা পূন্নমক্কী লাইবক থীবনি।

ত্রেদ য়ুনিয়নগী মিংদা লন্নাই শেন্দান লম্বী থিবা তৌফদবা থবক্লি। পেন্সনগী ৱাচৎ-ৱানোম্বা কয়ানা মাগী-মাগী দিপার্টমেন্টকী থবক তৌফম থোকপদি নোংমা ফাওবা শূদনা সেক্রেটরিএট অমদি এ জিদা ওফিস কাদুনা লৈরিবা অসিসু লৈঙাক্কী তোলোপ চারিবা শিন্মীশিংনা মফম-মতম চানা থবক তৌদবা, মীগী মখূৎনা করি লান্থোরকপা, ফুরিৎখাওদা কয়া য়াওরিবগে হায়বগী হিসাবতা ঙাওবা মশীং য়ামখৎলকপনা মথং-মথং শোকচিল্লকপনি। তগৎ-তগৎ তেকপা পোলাংদা য়াওবা কোমলাদু অপুম্বা অমা হাপচিনবা নৎত্রগা য়াওখিবদা কোমলা পূন্নমক মাঙবগুম্না ঙসিগী খুন্নাই অসি মনীংলোমদা হল্লকপগী মওংদা ওইহনবদি খুন্নাই অসি মমি শামলক্কনি হায়বা অসি লৈঙাল্লিবা মখোয় পূন্নমক্কী কোক্তা খন্দবা মীকুপ অদুনা ওইহনখিবনি হায়বা য়াই। পোলিটিক্স তৌবা মতমদা ফেবর্টিজম, নেপোটিজমনা শাগোন্নবা মী অমত্তনা মতম কুইবা য়াদে হায়বা অসিমা কাউফদে।

পোলিটিক্সকী খুরবা মীৎয়েংদা মখোয়-মখোয়গা নক্লবা খরা লোন্দিনবা মীওইশিংনা তৌফম থোকপা মথৌ তৌদবা, শিন্মী য়োক্তুনা থম্বা, মীয়ামগী লন ওইরিবা লম্বীগী নাক-য়েৎশিংদা লৈবা লম কয়া খোপচিন্দুনা মীয়ামগী লনবু মীওই অমা/অনীগী ওইহনবদা উশিন্নদবা/তাশিন্নদবা/খঙশিন্নদবা কয়াসি পোলিটিক্সকী খুরবা মচৎনি। মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা মীয়াম্না ঈশিংনি, মীহুৎ ওইরিবশিংনা ঙানি। ঈশিংগা ঙাগা মরী ফৎত্রবা মতমদা ঙাগী অফবা অমত্তা ওইফম থোক্তে। ঙসি অৱাবা-নুংঙাইতবা, মীকপ-মীরাওখোল, মীশি-মীনা, মৈহৌ-লাংপোক কয়াগী মরক্তা লুখ্রাবী কয়া, পাখ্রা কয়া, মমা-মপা কায়নরবা মচা কয়ানা পূন্সিগী লম্বী লম্মাংনরবা মতম অসিদা লৈবাক অসিগী লুচিংবীরম্বা হৌজিক হৌজিক্কী অৱাবা কয়া মখোয় মখোয়গী মিৎমাংদা থোকপা পূন্নমক অসি তারগা মখোয় মখোয়গী থম্মোয়দা তক্সি শোয়দনা শোল্লমগনি। করিনো তৌরিবা মতৌ অসিবু, করম থোল্লগবা হায়দুনা ইমা মণিপুর নঙগী ফারবা শল্লাং, পিরাংনা চোৎলবা মায়থোঙ, মফম মতম ওইদবনা ফারবা শল্লাং খোমগৎচবা ঙমদ্রেদো, পিরাংনা চোৎলবা মায়থোঙগী অতৎ-অখম লৈতনা শিন্থরক্লিবা পিরাং লেপহনবা ঙমদ্রেদকো হায়দুনা শোয়দনা খনবীরমগনি। ঙসি মণিপুর মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা পূন্নমক অসি কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগীনা কুমজা ২০২৫গী ফেব্রুৱারী ৯ দা নোংথোম্বম বিরেননা মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাদা রিজাইনেশন পীশিনখ্রবা মতুংদগী মীশি-মীনা, মফম অদুদা নোংমৈ কাপ্লে, বোম থাদরে, য়ূম মৈ থারল্লে, মী ফাখ্রে, ফাখিবা মীদুগী শরূ ফাওবা থিবা খঙহনবীদ্রে, মহৈরোয় কয়াগী পূন্সি মফম মরাং খঙহনবীখিদ্রে, মখূৎতা খূৎলায় পায়দবা মহৈরোয়, ইচম চমজবী মৌনহা কয়াগী পূন্সি বোম অমদি নোংমৈগী চৈথেংনা পূন্সি লোমখ্রে। থবক শূবা শিন্মী, পূন্সিগী হিংনবগীদমক চরা তানবা শিন্মী কয়া হাৎখ্রে। নুপী কয়াদা চৎহৈদবা-তৌহৈদবা থবক কয়া পাঙথোকপা লোইরগা পূন্সিগী খোঙ্গুল মূখৎপীখ্রে। চহী ফাদ্রিবা ঈরাং মনুংদা মীতল্লগা তাইবঙ ফাওরকপা থা ৮গী অঙাংবু ঈরাংসিগী চৈথেংনা মৈৱাইবীদুনা তাইবঙ ফম্বাক্তগী থুপচিনবীখ্রে।

ষ্টেট অমা মীয়াম্না খনবা মীহুৎশিংনা লীংবা লৈঙাক অদুদা মীয়ামগী থাজবা মাঙলক্লবা খ্বাইদগী চাউবা মরম অসি শেঞ্জা থুমজা ঙাইদুনা থবক কৌরগা চহী ৫/৬ রিজল্ট হায়দোক্তবা অসিসু লৈঙাক অসিদা মীয়ামগী থাজবা মাঙনবগী মরম অমনি। ষ্টেটসিগী লোয়শঙ কয়াদা লৈবা শিন্মীশিংগী মরক্তা শেঞ্জা থুমজা তৌরিবা অসিসু লৈঙাক অসিবু অমুবা কালি তৈশিনবা ওইরোইদৌবগী মরম লৈবরা। কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর থাদা লেপখিবা মিনিমম ৱেজ অদুনা চহী ৮গা থা ৩গী মতুংদা অনৌবনি হায়দুনা কুমজা ২০২৫গী ফেব্রুৱারী ২৭তা ষ্টেট লৈঙাক্লা লাউথোকপীরি, ওর্দর থোকপীরি। মসিমক্লা ষ্টেট অসিগী দেলি ৱেজগী মখাদা লৈবা শিন্মীশিংগী অপেনবা অমদি ওইবা নত্তে।

অমবু ওইরো, অমবু ওইরো ঙসি মীয়াম্না খনখিবা মীহুৎশিংনা লৈবাক ঙাকউ, মীয়ামগী পূন্সি, লন-থুম ঙাকপী-শেন্নবীয়ু হায়দুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না শিন্নখিবনি। পূন্সি, লন-থুম ঙাকপী শেনবীবা ঙমদ্রে, লানসি চহী অনী ফাজিল্লমদাইদা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী প্রসিদেন্টস রুল চলাইরে। মহৌশাগী ঈং-তপ্পা মতৌ অদু হঞ্জিলহন্নবা প্রসিদেন্টকী খূত্থাংদা মণিপুরগী গভর্ণরনা লোয়শঙ খুদিংমক, মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং, চাওখৎ খোঙথাং খুদিংমক য়েংশিনবা হৌখ্রে। নার্কো টেররিষ্টশিংনা মহৈরোয় হাৎপা, নুপী অঙাং, অহল-লমন, শিন্মী কয়া হাৎপা, য়ূম মৈ থাবা, লুট তৌদুনা লম্বী সড়কতা শেল মুনবা কয়া অদু ঙাকপা থোরকপা ঐখোয়গী খুল ঙাকপা ইচিল-ইনাও কয়ানা মখোয় মখোয়গী পূন্সিগী মাঙবা তোংবা খুদিংমক তুংদা থল্লম্লগা মণিপুর মীয়াম কন্দবা য়াদে হায়দুনা চোংথোরকপশিংনা পন্দুপ অমা নাইনা খোঙথাং লৌরকপা মসিসু মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লবা খোঙথাং অমনি।

মণিপুরদা থেঙ্খ্রাং নাইনা কুমজা ১৯৬৭তগী ঙসি ফাওবদা ১১রক প্রসিদেন্টস রুল লৈরে হায়না লৌবা য়ারে। পি আর অসিগী মাঙজবসু লৈগনি, তোংজবসু লৈগনি। মরমদি হৌখিবা মতমগী মাগী মাগী মতমদা পাঙথোল্লম্বা থবক কয়াদুনা খুদম চাংদম ওইদুনা লৈবা ঙাক্তনি। ঙসি ইকায়খুম্নজরবা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা মণিপুরদা কুমজা ২০১৯দগী থবক কৌরগা ঙসি ফাওবা ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবগুম্না লৈবা, মীয়ামগী মীহুৎশিংগী মিৎয়েং শানবা ঙমদবা, সড়ক মপানগী মীয়ামগী লম কয়া খোপচিনবা, মীয়ামগী ওইরম্বা ষঞ্জাবুং কয়া লন্নাই মীওই খুজোক খরগী মখূৎতা তারিবা অসিদা পোলিটিক্স তৌরিবা মীয়ামগী মীহুৎনা খূৎ থাবা ঙমদবা পূন্নমক কুমজা ১৯৬১গী মণিপুর লেন্দ সর্ভে রেকোর্দ য়েংলগা খোপচিল্লিবা/লৌশিল্লিবা পূন্নমক তকথোকপা মতমদা গভর্ণরবু মীয়াম্না কাউদনা লৈহৌগনি। সেট্টলমেন্ট/রেভন্যু তোঙান তোঙানবা লোয়শঙদা চে অমা তান্নবদা শেঞ্জা-থুমজা কয়া, ৱাচৎ ৱানোম্বা কাঙবুগা তোরো খাদানরিবশিং পূন্নমক য়াদে হায়বগী পাড়া অমা তম্বীরবা থবক কৌবা খুদিংমক মতম চানা রিজল্ট লাউথোকহনবা মতমদা প্রসিদেন্টস রুলগী মহাউ মীয়াম্না ফংজসনু। ৱাচৎ-ৱানোম্বদা পোলিটিক্স তৌরিবা কাঙবু খোঙলোইশিংনা মীয়ামদা তৌরিবা ওইদবা নমথাক কয়া অসিদগী নান্থোক্লবা মতম লাকপদা পি আর থুম্মী খাই, য়াকই, শিল্লি হায়বা মাগী মাগী মচৎ অদুনা মহাও শোয়দনা খেন্নরকপা উগনি। ঐখোয় খ্বাইনা ইকায়খুম্নজরিবা গভর্ণরনা শেঞ্জা-থুমজা, ঐগী-মীগী য়েংলৈ-মেলৈ নাইবা অসিদগী মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীনবা লম্বী থম্বীরম্মু। ●